**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 15-03-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

২) কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ ঙসি অয়ুক গোলাঘাৎ জিলাগী দেরগাউদা ষ্টেট ওফ দ আর্ট লচিৎ বরফ্কন পুলিস একাদমি শঙ্গাগনি অমসুং পুলিস একাদমি অসিগী হাউসিং প্রোজেক্টশিংগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি।

অমসুং

৩) পি.এম. গতি শক্তিগী মখাদা নেটৱার্ক প্লান্নিং গ্রুপকী ৮৯ শুবা মীফম পাঙথোক্তুনা লম্বী, রেলৱে অমসুং মেত্রো সেক্তরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখ্রে।

------

পুলিস (এল) ঃ সেক্যুরিতি ফোর্সনা মণিপুরগী চীং অমসুং তম্পাক্কী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক লেপ্তুনা চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়- চুরাচান্দপুর জিলাগী দম্পিপ রিটচ এরিয়াদগী থ্রি নোট থ্রি রাইফলগী মেগজিন অমা, সিঙ্গল বেরেল নোংমৈ অমা, পোইন্ট টু টু রাইফল অমা, পম্পি অনি, আই.ই.দি অনি, এন্তি রাইওট ষ্টন সেল মরি, এস.এম.সি করবাইনগী মেগজিন অনি, পম্পি লাইভ রাউন্দ মরি, রেদিও সেট অমা অমদি নোংমৈ মরু খরা ফাগৎপা ঙমখি।

মণিপুর পুলিসনা ককচিং জিলাগী লাংমৈদোং মমাং লৈকাইদগী আইন্না থিংখ্রবা লুপ পি.এল.এগী কাদর অমা ফারে। মহাক মফম অদুগী মহৈলোইশঙশিংদগী শেল খায়বদা চেন্নবা মীওইনি হায়রি।

অমরোমদা, সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা নেসনেল হাইৱে নম্বর-৩৭ ইম্ফাল-জিরিবাম লম্বী অমসুং নেসনেল হাইৱে নম্বর-২ ইম্ফাল-দিমাপুর লম্বীদা পোৎ চৈ পুবা গাড়ি ১২২ অমদি ৬৩৭ ইম্ফাল তমা পুরকখ্রে।

কলা সঙ্গম (এল)ঃ ব্রহ্মপুর কলা সঙ্গম (বি.কে.এস) লিংখৎখিবগী ৫৫ শুবা কুমওন ঙরাং ইম্ফাল ইষ্টকী ব্রহ্মপুর অরিবম লৈকাইদা লৈবা য়ুথ ক্লব ব্রহ্মপুরগীগী ওদিতোরিয়মদা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর বিধান সভাগী অধ্যক্ষ থোকচোম সত্যবর্তা, ভারতিয়া জন্তা পার্তি মণিপুরগী প্রসিদেন্ট আধিকারিময়ুম সরদা অমদি বি.কে.এসকী প্রসিদেন্ট এ.কে. বসন্তকুমার শর্ম্মা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা ড্রামা অমসু উৎখি।

নসা মুক্ত (এল)ঃ দিষ্ট্রিক্ট সোসিয়েল ৱেলফ্যার ওফিস ইম্ফাল ইষ্টনা নসা মুক্ত ভারত অভিয়ানগী মখাদা য়েস টু লাইফ, নো টু ড্রগস হায়বর হিরমদা ফুটবোল তুরনামেন্ট অমা পাঙথোকখ্রে। জিলা অসিগী শওম্বুংদা পাঙথোকখিবা তুরনামেন্ট অদুদা তোঙান তোঙানবা রিলিফ কেম্পশিংদা লৈবা মীওইশিংগী টিম তরানা শরুক য়াখি।

থাং তা (এল)ঃ কবুই খৌসারোলগী মতাংদা নুমিৎ ৩০ নি চথুরকপা ৱার্কসোপ ঙসি ইম্ফাল ইষ্টকী ৱাংখৈ থাংজম লৈকাইদা লোইশিল্লগনি। ৱার্কসোপ অসি থাং-তা কলচরেল রিছার্স একাদমিনা কেন্দ্রগী কলচর মন্ত্রালয়গী মখাদা শিনবনি।

অসাম (এল)ঃ ওল অসাম মণিপুরী ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন হোজাই অমসুং মণিপুরী কলচর এন্দ স্পোর্টস দিভলপমেন্ট সোসাইতি অসামনা শিন্দুনা ১০ শুবা য়াওশঙ স্পোর্টস মিট ২০২৫ হোজাইগী গৌরনাগর প্লে গ্রাউন্দদা পাঙথোকখ্রে। হয়েং ফাওবা চথুগদবা স্পোর্টস মিট অসিদা তোঙান তোঙানবা মশান্না কয়াদা চাংদমরি।

অমিতঃ কেন্দ্রগী গৃহ মন্ত্রি-অমিত সাহ, নুমিৎ হুমনিগী খোঙচৎতা ঙরাং অসামদা থুংখ্রে। মহাকা তোঙান তোঙানবা থৌরম কয়াদা শরুক য়াগনি। শ্রী সাহনা ঙসি অয়ুক গোলাঘাৎ জিলাগী দেরগাউদা ষ্টেট ওফ দ আর্ট লচিৎ বরফুকন পুলিস একাদমি শঙ্গাগনি অমসুং পুলিস একাদমি অসিগী হাউসিং প্রোজেক্টশিংগীনা উরেপ উয়ুং তমগনি। থৌরম অদুদা মুখ্য মন্ত্রি হিমন্ত বিশ্বা শর্ম্মা অমসুং কেন্দ্রগী পোর্টস, সিপ্পিং অমসুং ৱাটরৱেজ মন্ত্রি সরবানন্দ সোনোৱাল শরুক য়াগনি।

মদুগী তুংদা শ্রী সাহ মিজোরামদা চৎকনি। মহাকা ঙসি নুংথিল আইজোলদা পাঙথোক্কদবা অসাম রাইফলসকী থৌরম অমদা শরুক য়াগনি। থৌরম য়াওবা লোইরবা মতুংদা গুৱাহাতিদা অমুক হল্লক্কনি। শ্রী সাহনা হয়েং কোক্রাঝার জিলাদা পাঙথোক্কদবা ওল বোরো ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়নগী ৫৭ শুবা চহিগী মীফমদা শরুক য়াগনি। মদুগী তুংদা, মহাকা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংদা অনৌবা ক্রিমিনেল লো অহুম চৎনবগী মতাংদা মীফম অমা গুৱাহাতিদা পাঙথোক্কুনা অমুক হন্না য়েংশিনগনি। মীফম অদুদা অৱাং নোংপোক রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং শরুক য়াগনি। হয়েং নুমিদাংৱাইরম শ্রী নিউ দিল্লিগীদমক গুৱাহাতি থাদোকখিগনি।

গতি শক্তি ঃ পি.এম. গতি শক্তিগী মখাদা নেটৱার্ক প্লান্নিং গ্রুপকী ৮৯ শুবা মীফম ঙরাং পাঙথোক্কুনা লম্বী, রেলৱে অমসুং মেত্রো সেক্তরগী ইনফ্রাষ্ট্রকচর প্রোজেক্ট কয়া য়েংশিনখ্রে। গ্রুপ অসিনা মরুওইবা প্রোজেক্ট ৮ য়েংশিনখি। মদুগী

মনুংদা লম্বীগী মরি, রেলৱেগী অহুম অমসুং মেত্রোগী অমা য়াওরি।

প্রোজেক্ট অসিগী মনুংদা মেঘালয়গী নেসনেল হাইৱে-৬২ দারুগিরিদগী দালু সেক্সন ফাওবগী লম্বীশিং লেন অনি লৈবা হাইৱে শেমগৎপা য়াওরি। রেলৱে মন্ত্রালয়না পায়খৎকদবা কিলোমিতর ৩২ শাংবা লম্বীগী প্রোজেক্ট অসিনা মুম্বাই-পুনে-সোলাহপুর-ৱারি-চেন্নাই কোরিদোরগী পেসেঞ্জরশিংদা খুদোংচাবা পীরগনি। রাজকোট মেত্রো প্রোজেক্ট অসিনা মী চিনবা হন্থহনবা অমদি চৎথোক চৎশিনদা খুদোংচাহল্লগনি।

গোয়ল ঃ কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রি মন্ত্রি পিয়ুস গোয়লনা হায়রি- য়ু.এসকী ত্রেদ রিপ্রজেন্টেটিভ জামমৈসন গিরগা লৈবাক অনিগী ওইবা লল্লোন ঈতিক্কী মতাংদা ৱাফম কয়া খন্নখ্রে।

সোসিয়েল মিদিয়াদা থাগৎলকপা পোষ্ট অমদা শ্রী গোয়লনা হায়- সরকার অসিনা লৈবাক অসিবু চাউখৎপা অমদি মরোমদোম লেপচবা ঙমবগীদমক হিরম কয়াদা থবক পায়খৎলি। মমাং চয়োলদা শ্রী গোয়লনা ৱাশিংটনদা চত্তুনা লৈবাক অদুগী মহাক্কী ফম মান্নবা মীওইশিংগা উন্নদুনা লল্লোন ঈতিক্কী মতাংদা মীফম কয়া পাঙথোকখি। মসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হেন্না অফবা মরী পুরক্তুনা লল্লোন ঈতিক্কী লমদা হেন্না খুমাং চাওশিনবা ঙম্লগনি।

এন্তি তেরোরিজম ঃ এন্তি তেরোরিজম সক্বাদ (এ.টি.এস)না উত্তর প্রদেশকী ফিরোজাবাদতা লৈবা ফেক্তরি অমদা থবক তৌবা শিন্মী অমা পাকিস্তানগী আই.এস.আইদা পাউ পীথোক পীশিন তৌই হায়বগী মরালদা ফারে।

এ.টি.এসকী এদ্দিসনেল দিরেক্তর জেনেরেল নিলকজা চৌধরিনা হায়- রবিন্দ্র কুমার হায়রিবা মীওই অসিনা মহাকা থবক শুরিবা ফেক্তরি অদুগা মরী লৈনবা ঈ-পাউশিং নিহা কৌবা মীওই অমদা পী। এ.টি.এসকী আগ্রা য়ুনিতনা মহাকপু মচিন হংবদা ঈ-পাউ পীথোক পীশিন তৌবদা চেন্নবা মীশকি হায়বদু খঙবা ঙমখি। মহাক্কী ফোনদগী য়ামা মরুওইবা চে চাংশিং থারম্বগী পাউশিং ফংবা

ঙমলে অমদি মিতিং তৌখিবগী রেকোর্দ, ষ্টো লিষ্টনচিংবশিং থারম্বগী রেকোর্দ ফংখি হায়রি।

ইসরো ঃ ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেস (ইসরো)না সেটেলাইট থাগৎতুনা ফোরেন একচেঞ্জ রেভিন্যু ওইনা য়ু.এস. দোল্লর বিল্লিয়ন ১৪৩ হেন্না খোমগৎপা ঙমলে। দিপার্টমেন্ট ওফ স্পেচনা হায়- হৌখিবা চহি ১০ অসিদা ইসরোনা ফোরেন সেটেলাই ৩৯৩ অমসুং ভারতকী কষ্টমর সেটেলাইট অহুম লোঞ্চ তৌখ্রে। ইসরোনা আমেরিকা, য়ুনাইতেদ কিংদম, সিঙ্গাপুর য়াওনা চাওখৎলবা লৈবাক ৩৪ রোমগী সেটেলাইটশিং লোঞ্চ তৌবা ঙমখ্রে।

পাকিস্তান ঃ পাকিস্তানগী বেলোচিস্তানদা থোকখিবা ত্রেন হাইজেক্ট তৌখিবগী থৌদোক্তা ভারত চেন্নে হায়রিবা ৱাফম অদু মপান থৌরম মন্ত্রালগী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা য়ুস্কম য়াওদবনি হায়না ফোংদোকখ্রে। মহাকা হায়- গ্লোবেল তেরোরিজমগী হৌরকফম কদাইদনো হায়বদু মীয়ামা খঙনরবনি। পাকিস্তান্না অতোপ্পা লৈবাকশিংদা মরাল শিবগী মহুৎতা মশাগী অশোইবা অদু মশানা খঙজগদবনি।

জিতেন্দ্র ঃ কেন্দ্রগী সাইন্স অমসুং টেকোলোজি মন্ত্রি ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়রি- অৱাং নোংপোক লমদম অসি লৈবাক অসিগী অনিসুবা সেফ্রোন হব ওইরগনি। মহাকা হায়- অৱাং-নোংপোক লমদম অসি ভারতপু বিক্সিত ভারত ওইহন্নবা মঙলিবা মঙলান অদু মাঙফাওনহন্নবগী য়ামা মরুওইবা মচাক অমনি।

ডাঃ জিতেন্দ্র সিংহনা হায়- ইং কুমজা ২০২১ দা হৌদোকখিবা মিসন সেফ্রোন পাকথোক চাওথোকহন্দুনা সিক্কিম, অরুনাচল প্রদেশ অমসুং মেঘালয়দা সেফ্রোন থারে। থৌরাং অসি মণিপুর অমসুং নাগালেন্দদসু য়ৌহন্নবা হোৎনরি।

দেদ ঃমহরাষ্ট্রগী থানে জিলাগী বতলাপুর লমদমদা চেনবা উলহাস তুরেলদা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম নুপামচা মরি ইরাকবদগী শিরে। পুলিসকী পাউনা হায়- চহি ১৫-১৬ লোম ওইগদবা অঙাংশিং অদু হোলি য়াওরুরবা মতুং তুরেলদা কুমদুনা শান্নবদা থৌদোক অদু থোকখিবনি। পাউ অসিনা মখা তানা হায়- মখোয়শিং অদু চেমতোলিদা লৈবা মীওইশিংনি হায়বা খঙবা ঙমলে। অশিবা হকচাংশিং অদু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক বতলাপুর রুরেল হোস্পিতালদা থল্লি। থৌদোক অসিগী মতাংদা কেস অমা লৌখৎতুনা থিজিনবা হৌখ্রে।

বেদমিন্ট ঃ  বরমিংহামদা পাঙথোক্লিবা ওল ইংলেন্দ ওপন সুপর ৱান থাউজন বেদমিন্ট তুরনামেন্টকী নুপাগী ক্বাটর ফাইনেলদা ভারতকী লক্স্না সেন লৈহৌরে। মেটচ অদুদা চাইনাগী লি সি ফেংনা লক্স্না সেনবু ২১-১০ অমসুং ২১-১৬ মায়থিবা পীরম্বনি।

অমরোমদা, নুপীগী দবলসকী ক্বাতর ফাইনেল মেটচ অমদা ভারতকী ত্রিসা জোলি অমসুং গয়াত্রি গোপিচান্দ চাইনাগী জরা লিউ সেং সু অমসুং তান নিংগী খুৎতা ১৪-২১, ১০-২১ দা মায়থিহৌখি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়াওশঙ কুম্মৈগী ছুতি ওইখিবনা ইম্ফালদা ফোংবা পাউচেশিং ফোংনদ্রে।

লিয়াংমৈ আর্টস এন্দ কলচর এসোসিয়েসন মণিপুরনা শিন্দুনা প্রিজার্ভেসন ওফ কলচরেল হেরিতেজ হায়বা হিরমদা নোংমগী ওইবা সেমিনার অমা তামৈ সবদিভিজনগী লিয়াংমৈ ভিলেজদা পাঙথোকখিবগী পাডনা তমেংলোং টাইমসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

তমেংলোংদসু হিন্দু লাইনিং চৎপশিংনা হোলি পাঙথোকখিবগী পাউনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

লিয়াংমৈ নাগা কতিমাই রুৱাংদি মণিপুরনা রাজ্য অসিগী নাগা তাবা ঙমখৈ

পরিংদা শন্বল খাবা অমসুং ফ্রি মুভমেন্ট রেজিম য়ানিংদবা ফোংদোকপগী পাউনা গানফিউ মেলগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

ক্লাস তুয়েল্ভ পরিক্ষা হোলিনা মরম ওইদুনা থাবা ঙমহৌদবা মহৈরোইশিংগী ওইনা অতোপ্পা নুমিৎ অমদা পাঙথোক্লগনি হায়না সি.বি.এস.ইনা ফোংদোকখিবা ৱাফমনা পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

অৱাং নোংপোক ভারতকী মফম খরদা লাক্লিবা নুমিৎ হুমি অসিদা অকনবা নুংশিৎ অমসুং নোং তারবা য়াই হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমস অমসুং গানফিউ মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

------